# পুনাম চীংদা,য়ুম্নাম লৈকাইদা ইমোইনু ঈরাৎখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ খা কংলৈরোল থিবা চীং–তম সনামহি থৌগল্লুপনা শীন্দুনা ইথাইগী পুনম চীংদা ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি থৌরম ঙসি সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী চেয়ার্মেন কম মেনেজিং দাইরেক্তর নারেংবম সমর্জিৎ শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।

ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি থৌরম অদুদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী সি এম দি এন সমর্জিৎনা হায়খিবদা ইথাইগী পুনম চীংদা লৈরিবা শেংলবা লাইফম্লেন অসি সলাই গ্রুপনা খঙবা ঙম্লকপা অসি কম্পেনি অসিগী লসনা মীৎকপ থোকপা অমনি। মফম অসি সলাইনা খঙলকপদগী মফম অসিবু শেপন্নরিবা কম্মিটিদা মতেং পাংবা অমদি মফম অসিবু য়োকখৎনবা শেমগৎ শাগৎপা হৌখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, পুনম চীংগী শেংলবা লাইফম অসি নোংমদি মালেমগী মীয়াম্না শোয়দনা থীরক্কদবা মফম অমা ওইরক্কনি। লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলূপ্না মফম অসিদা মতেং পাঙনিংলবসু মফম অসিবু শেন্নরিবা কম্মিটিগা তান্নদুনা পাঙবীয়ু। ইবেনদৌগী শেংলবা মফম অসিদা ঈরাৎ থৌনি তৌবা অসি মফম অসিগী বাইওদাইভর্সিটিবুসু ঙাক্তুনা থল্লিবনি। মফম অসিগী শেংলবা লাইফমলেন অসিদা ইবেন্দৌগী থৌগল ফংজবা হায়বসি পোকপগী মহৈ য়াল্লবনি হায়না খল্লি হায়খি।

ঈরাৎ থৌনি থৌরম অদুগা মরী লৈননা খা কংলৈরোল থিবা চহী–তম সনামহি থৌগল লূপকী সেক্রেটরী করাম জ্ঞানেশ্বরনা লাইফম্লেন অসিবু শেমগৎ শাগৎপদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা মতেং পাংবিবা অসি অসুক্কী মতীক নুংঙাইবা ফাওস। সলাই হোল্ডিংগী সি এম দি গী লিচিং মখাদা চীং অসিদা লৈরিবা অতোপ্পা লাইফমলেনশিংগা হায়রিবা লাইফমলেন অসিগা ফাওনবা য়াবা লম্বী অমসু শেম্বগী থবক অফবা নুমীৎ অমা য়েংদুনা হৌরগনি। লোয়ননা মীয়াম্না লাইফম অসিদা অতেনবা লম্বী ওইনা তুরেল লান্দুনা চখোক চৎশিন তৌবনা মীয়ামগী খুদোংচাহন্নবগীদমক হি অমসুং শিন্নবীবগীদমক চেয়ার্মেনবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়খি।

পুনম চীংদা লৈরিবা লাইফম্লেন অসিবু শেন্নরিবা লাই শেল্লুংবা রামেশ্বর শৌগ্রাকপমদা সলাই গ্রুপনা থা খুদিংগী পীবা ৫০০০ গী শেনফম থা অসিগী ওইনসু খূৎশিন্নখি। লোয়ননা ঙসিগী ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি থৌরম অদুদা মতেং ওইনবগীদমক চেয়ার্মেননা কম্মিটিদা শেল ওইনা লুপা ৩০,০০০ অমসু মতেং পাংখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা ফোঙবা কেলেন্দর অমসুং দাইরিসু মফম অদুগী মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, পোইরৈ ঈথিবা লূপ (পি ই ই এল) য়ূম্নাম লৈকাইনা শিন্দুনা ঙসি য়ূম্নাম লৈকাইদা লৈবা লাইরেম্বী লম্পাক্তা ২৯ শুবা ইমা ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা য়াইফরবা কৌরৌ নুমিৎতা ইমা ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি অসি পাঙথোক্লি। লমদম অসিবু চাহোং–ঙাংহোংনবা পুন্সি নুংশাংনবা, লৈবাক মরা তপ্না পান্নবগীদমক্তা ইমা ইমোইনুগী ঈরাৎ থৌনিবনি। চেঙ হৈদুনা, মৈরা লাংদুনা অমসুং কুম অমগী অনৌ–অপেনশিং ইমাগী মফমদা কৎলগা ঈরাৎ থৌনিখি।

পি ই ই এল গী মথং খনবা লুচিংপুরেল মোরাংথেম ইমোনা থৌরম অসিগী মরমদা হায়, পি ই ই এল না ইমোইনু ইমাগী থৌরম অসি লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাকই। ইমোইনু ইমা অসি লৈবা তরেৎ লাংওনবীনি। ইরোলনুংদা লৈরগনা 'ঈরৈমা' ফৌগেনুংদা লৈরগনা 'লৌওইবি', ঙানুংফমদা লৈরগনা 'ঙারৈমা', য়ুমথোঙ লাইরেম্বীনচিংবা অসি ইমোইনু ইমাগী লাংওননি। ইমা অসিবু থৌনিজরগদি লৈবাক অসি চাহোং ঙাহোংবা, ইং–তপ্পা, ৱাৎত–পাদবা ওই হায়বগী থাজবা অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পি ই ই এল না ঙসি ফাওবদা ঈরাৎ থৌনিজদুনা লাকপনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা, নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি। মণিপুর ডান্স কলেজকী নুপী মহৈরোইনা ' পেনা', লিএন্দা ফোল্ক এন্দ ক্লাসিকেল একাদেমি, নাগামপালগী মহৈরোইনা মাইবী জগোয়, পিপল ম্যুজিয়ম ককচিং, ককচিংনা ককচিংগী নাৎকী জগোয়, কৌত্রুক ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন, কৌত্রুকনা লাইবৌ জগোয় কৌত্রুক, ফোল্ক এনসেম্বল মণিপুর, হৈবোংপোকপীনা ইমোইনু শৈথা ঈশৈ শকখি। লোয়ননা লৈশিরেল লৈপুনবী মতম ঈশৈসু পাঙথোকখি।

# তুরেল থৈরগা ঈশিং লুহন্নবা থবক হৌরে: দেবেন

থৌবাল, জনুৱারী ১৮ঃ

থৌবাল তুরেলগী মরীলদা নুং–লৈঙোই পেকপনা মরম ওইরগা ঈশিং নৈবা অমসুং মোৎপদগী মীয়ান্না অৱাবা ময়োক্নরিবশিং অদু কোকহন্নবগী পান্দমদা থৌবাল তুরেল নুং–লৈঙোই ৱাকর্স এসোসিয়েসনসগী থৌমীশিংনা ঙামুখোঙদগী য়াম্বেম ফাওবা চাওরাক্না কিলোমিটর ৮ লোম তুরেল ঈশিং থৈরগা চেলহন্নবা ঙসিদগী খোং তৌবগী থবক হৌখ্রে। ঈশিং থৈবগী থবক অদুগা মরী লৈনবা ৱারেল পাউমীশিংদা পীরদুনা থৌবাল তুরেল নুং–লৈঙোই ৱাকর্স এসোসিয়েসনগী কনভেনর সনসম দেবেননা হায়, ঈশিং হায়বসি মীওইবা কাংলূপ খক্তা নৎতনা মালেম অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক্না হিঙবদা চঙদব্রবা য়াদ্রবনি। অদুবু হিংবগী লানফমদা হেবি মেছিন শিজিননদুনা থৌবাল তুরেলদা নুং–লৈঙোই পেকপদগী তুরেল অসিগী ঈশিং মোৎশিনবা অসি মীওইবা অমা ওইনা য়ান্না নুংঙাইজদে।

'ক্বারি' তৌরিবা অসি লল্লো–ইতিক তৌবা অমা নৎতে। লৈতা–লাইরশিংনা হিংননবগীদমক্তা অমদি মচা–মশু শেম্বা ঙন্নবগীদমক্তা তঙাই ফদনা তৌজবনি। মপিথেন দাম অসি লৈত্রিঙৈ মতমদগী ঈচাও মতমদা চেনথরকপা নুং–লৈঙোই অদু য়ান্না ৱাদনা অমদি শেল তিঙদনা বিরচান্না কোৎলম্বনি। মতম অদুদদি ঈশিং মোৎপগী অৱাবা অসিসু লৈরমদে। অদুবু দাম অসি থিঙ্গৎলগা থমখিবদগী নুং–লৈঙোইসু চেন্থরকখিদরে। হিংনবগী লানফমদা শুদবদি য়াদবনা হান্না লৈহৌরিবা নূং–লৈঙোইশিং অদু হেভি মেছিনশিং শিজিনরগা কোৎপগী থবক অসি পায়খৎলকপনি।

হেভি মেছিন শিজিনরকপদগী তুরেনগী ঈশিং মোৎশিল্লকপা অসিনা তুরেল অসিগী ঈশিং শিজিন্নরিবশিংনা অৱাবা কয়া ময়োক্নরি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙই।

লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর, ফোরেস এন্দ ইনভাইরোমেন্ট মিনিষ্টর, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসন থৌবাল এমেজিং ইম্ফাল ইষ্টতা অইবা চেরোল পীদুনা ঈশিংগী অৱাবা ময়োক্নরিবা অসি কোক্লনবা পাম্বে অমা পীবীনবা কয়ারক হায়জখ্রে। মরী লৈনবশিংনসু পাম্বে অমা পীবগী থাজবা অদু থল্লক্লি। অদুবু মতম য়ান্না চঙ্গদবা অমদি থবক শুরগা শেল তাল্লিবশিংনা খুদক্তগী থবক লেপ্পা ঙমজদবনা মরম ওইরগা তুরেল থৈবগী থবক অসি পায়খৎলকপনি।

মফম অসিদা থবক শুরিবা সাইখুন কেন্দ্র, অন্দ্রো কেন্দ্র, ৱাংখেম কেন্দ্র, হৈরোক কেন্দ্রনচিংবগী শিন্মীশিংনা শেল খায়জিন্নরগা তুরেল থৈবগী থবক অসি পায়খৎলিবনি। এক্সকাবেটর (জেসিবি) ১০০ হেন্না শিজিন্নদুনা তুরেন অসি থৈখিবগী থবক চখ্থরি। থবক অসি লোয়রবদি তুরেন ঈশিংদা থবক শুবগী মওং অসি লৈররোই হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা নূং–লৈঙোই পেক্তুনা শেল তাঞ্জরিবা শিন্মীশিংগী অতোপ্পা লম্বী অমা অথুবদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা শিনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# জিরি লম্বীদা ড্রাইভর অমসুং মীয়ামদা অৱাবা পীরে: টি দি সি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ মণিপুর মীয়ামগী তঙাই ফদনা চঙবা পোৎলমশিং ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বীদা পুশিল্লকপদা সেন্ট্রেল মোটোর ভেহিকল এক্টনা পীরিবা ট্রকশিংনা অরুম্বা পুবগী চাং অদু লম্বী অসিবু শেমগৎ–শাগৎপগী থবক তৌরিবা নেসনেল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কম্পেনি লিমিটেদনা নমথাক তৌদুনা কনাগুম্বা খরগা লৌতুনরগা ড্রাইভরশিং অমসুং মীয়াম ৱাহল্লে হায়না ট্রান্সপোর্টর এন্দ ড্রাইভর কাউন্সিল (টি দি সি)গী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী এম জি এভেন্যুদা লৈবা টি দি সিগী ওফিস্তা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়খি, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী হৌজিক ওইরিবা লম্বী অমসুং থোঙশিং অসি হান্না বি আর ওনা পায়রম্লদগী কোরপোরেসন অসিদা শীন্নরকপদগী লম্বী খরা ফগৎলক্তুনা অহোংবা খরখক লৈবা নত্তনা থোঙগী ফিভমদি হান্নগী ফিভমদা অদুম্মক লৈরি। বি আর ওনা পায়রিঙৈদা থোঙশিং অসিদা মেট্রিক টন ২৪দগী হেন্না লুম্বা গারীশিং লানবা য়াহন্দে হায়বা ওইদ–পাদবা থৌওং কয়া অদুগা চপ–মান্নবা নেসনেল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদনা চখদুনা লৈরি।

কুমজা ২০১৫দা বি আর ওনা লম্বী অসি শেমগৎ–শাগৎপগী থবক তৌরকপদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ইন–চার্জ সেক্রেটরী ট্রান্সপোর্ট অমসুং বি আর ওগী ওফিসিয়েলশিংগা লৌতুনদুনা গ্রাউন্দদা ওইরিবা ফিভম শুকয়েং য়েংদনা ওর্ডর অমা থোকচিদুনা থোঙশিং অসি মপাঙ্গল শোল্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা জিরিবামদা লৈবা পুলিসশিং অমসুং লম্বী অসিদা লৈরিবা থোঙশিংবু ঙাকশেল্লিবা পুলিস পার্সোনেলশিংনা ট্রক গারীশিং এম টি ২৪দগী হেন্না পুরগা লানবা য়ারোই হায়না অথীংবা থল্লিবসি ওৎ নৈবনি। মরক অসিদা লম্বী অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা ৱেঠ ব্রিজ চল্লাইরিবসি লৈঙাক্না য়েংশিল্লু হায়নসু দিমান্দ তৌরক্লি।

# য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা জেলিয়াংরোং ফুরুপকী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ গানঙাই থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন,দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার,ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, কঞ্জুমরস এফিয়ার্স মিনিষ্টর করাম শ্যাম, রাজ্য সভাগী এম পি কে ভবানন্দ,মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনচিংবা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মখোয়গী য়াইফ পাউজেলগী চেরোলশিংনা হায়,গানঙাই নৎত্রগা নীংথম কুম্মৈ অসিনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী থৱায়বু ইকায়খুম্নবা উৎলি। কুম্মৈ অসিনা ইং তপ্পা অমসুং ৱাৎত–পাদবা ওইরসনু।

# অৱাবা ফোঙদোক্নরক্লি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ শক্নাইরবা ভেটেরিয়ন জর্নেলিষ্ট এ কে সনাতোন্না মনুং–মতম চাদনা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন,ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ,মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ অমসুং ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীগী খোঞ্জৎত হৌরক্লবা মতুংদা পোলিটিকেল অমসুং সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌরম্বা ফিন্দিন্নিঙই ওইরবা মীশক অসিনা মনুং–মতম চাদনা লৈখিদবদা খুন্নাই অসিগী ওইনা অমসুং জর্নেলিষ্টশিংগী ওইনা চাওনা মাঙজহৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱোজেন্দ্র নিঙোম্বনা লুচিংদুনা ভেটেরিয়ান জর্নেলিষ্ট এ কে সনাতোনগী শক্তমদা লৈ–শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

# সি এস মোরেদা লাক্লম্লে

মোরে, জনুৱারি ১৮ঃ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেস বাবু ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা মহাক্কী ইমুং–মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা পৱনহন্স হেলিকোপ্টর তোংদুনা মোরেদা লাক্লম্লে। মহাক্না মোরেদা লাকপগী চপ–চাবা মরম খঙদ্রবসু মোরেদা লৈরিবা বোর্ডর ট্রেদ চেম্বর ওফ কমার্স,মোরেগী প্রসিদেন্ট ভি সেখর উন্নখি অমসুং মহাক্কী য়ুমদা ব্রেক ফাষ্ট চামিন্নখি। তুংদা মহাক নম্ফাল্লোং অমসুং তম্মুদা চঙদুনা ইন্দে–ম্যান্মার বোর্ডর ট্রেদকী মতাংদা য়েংশিল্লমখি হায়রি।

অমরোমদা ঙসি মোরেগী সিনাইভেঙ,গুইতে ভেঙ অমদি ন্যু মোরে হায়রিবা খুল অহুম অসি চহী ২৫ মপুং ফারকপগী সিলভর জুব্লিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

# সি এ বিল চৎনবা শুকয়া...

*লমায় ১গী মখা*

ইন্দিয়ান সিটিজেন ওন্থোকখ্রগনি। লোয়ননা মখা তানা মীতোপ–মীয়ানচা কয়াবুসু মনীংতম্না মফম অসিদা চঙহল্লক্কদৌরিবনি। এন ঈগী মফমশিংদা পোলিটিকেল এসিমিলেসন অমসুং কলচরেল এসিমিলেসন শোয়দনা তৌহনগনি।

অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোকসি থোক্তনবগীদমক্তা জে সি আই এল পি এসনা মণিপুরগী য়েলহৌমী কঞ্জনবগী আইন শেম্বীয়ু হায়দুনা তকশিল্লিবনি। দি মণিপুর পীপলস প্রোটেক্সন বিল ২০১৮বু লো ওইনা ওন্থোকপিয়ু। মসিদসু নত্তনা মণিপুর পোপুলেসন রিগুলেসন কম্মিসন লিংবিয়ু হায়দুনসু দিমান্দ তৌরিবনি। মণিপুরগী য়েলহৌমী কঞ্জনবগীদমক্তা মণিপুরদা মীতোপ চঙলকপদা পার্মিট পীরগা ইন্ট্রি অমসুং এক্সিটকী রেগুলেসন নীংথিনা তৌগদবনি। মসিবু মায়পাকহনবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্কী মথৌনি। ষ্টেকহোল্ডর কয়ানসু মাগী–মাগী মথৌ নীংথিনা তৌরকপা মথৌ তাই। সি এ বিল,২০১৬না মণিপুরদা পীরক্কদৌবা শাফুশিং মতৌ করম্না থেংনগদগে হায়বসি নীংথিনা নৈনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর হায়কোর্টকী এডভোকেট টি ঐচ মনিহারসু রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

# অন্দমানগী ইথৎ তরুক্কী মমিং...

*লমায় ১গী মখা*অসিদা লোই থাখিবনি।

অনন্দমান এন্দ নিকোবরগী ইথৎ ৩৬সু লৈবাক অসিগী নীংতম লান্মীশিংগী মমিংদা থোনগদৌরি।হৌখিবা ডিদেম্বর ৩০,২০১৮দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা অনন্দমান অমসুং নিকোবর ইথৎতা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অমা চৎপা মতমদা ইথৎ অহুমগী মমিং নেতাজি সুবাস চন্দ্র বোসপু ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা মমিং ওন্থোকখ্রবনি। রোজ ইথৎপু নেতাজি সুবাস চন্দ্র বোস দ্বিপ,নৈল ইথৎপু সহীদ দ্বিপ অদুগা হেকলোক ইথৎপুনা স্বারাজ দ্বিপ থোনখ্রবনি।

অনন্দমান অমসুং নিকোবর ইথৎ মপৈ অসি ইন্দিয়াগী মপুং লমদগী কিলোমিটর ১,২০০ লাপ্পা লৈবা ইথৎ মচা ৩০০ লোম্না পুনশিল্লগা শাবনি। বৃটিশকী মায়োক্তা লান্থেংনখিবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াগী নীংতম লান্মী কয়া মফম অসিদা লোই থাখিবা লৈবনিনা ষ্টেটশিং অসিগী ইতিহাস্তা মফম কন্দুনা লৈরিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২০১৩দা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী টিম অমনা মফম অদুদা টুর চৎলুবা মতমদা মফম অদুদা লোই থাদুনা লৈরিঙৈদা শিখিবা মণিপুরগী নিংথৌ কুলচন্দ্রগী অরোইবা য়াহিপফম ওইখিবা মাউন্ট হরৈততা চৎতুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা জর্নেলিষ্ট টিম অদুনা অনন্দমান অমসুং নিকোবরগী লেপটেনেন্ট গভর্ণর উন্নদুনা মাউন্ট হরৈততা নিংথৌ কুচলচন্দ্র অমদি মহাক্না লোয়ননা লোই থাখিবা কাংবু অদুগী নীংশিং খুভম অমা শানবা তকশিল্লম্বা লৈখিবনি।

# মীতোপ্তা লম য়োনবা,য়ুম শানবা...

*লমায় ১গী মখা* কয়া পায়খৎলি। শান্নবুঙ থম্বা,আউটদোর জিম,বোইজ অমসুং গালর্সকী টোইলেট, কম্প্যুটরগী রূম অমসুং স্মার্ট ক্লাস রূমনচিংবা থম্বগা লোয়ননা অফবা ওঝাশিংনা মহয় তম্বীহন্দুনা অফবা মহৈরোই পুথোক্লনবা হোৎনরগনি।

লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী মরক্তা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামদা পোজিসন লৌরকপশিংদা লুপা লাক্ষ ৫ ফাওবগী শেলগী মনা পীননবগী থৌশিল চৎনবা হৌখ্রে। মসিদগী হেন্দোক্লন্দুনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্ননবগীদমক ক্লাস ৱানদগী মহয় তম্বা হৌরিবা স্কুলশিং মথঙ একাডেমি সেসনদগী প্রি নর্সরি ওইনা হৌহন্নবা থৌরাং লৈরে। হায়রিবা থৌরাং অসি মণিপুরগী এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুন্সি ৬০দা মোডেল স্কুল অমমম হাংদোক্তুনা চৎনহনগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা লাউথোকখি।

মোডেল স্কুলশিং অসিগী ওইনা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুন্সি অদুগী এম এল এনা চিয়ারমেন ওইবা কম্মিটি অমমম শেমদুনা স্কুলশিং অদুগী অৱাৎ–অপাশিং য়েংশিলহনগনি। শেমগৎ–শাগৎহনগনি। হায়রিবা কম্মিটি অদুদা লৈকাইগী ক্লব,মৈরাপায়বীশিং য়াওবিয়ু। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ওঝাশিং য়াম্না তোইনা ট্রান্সফর তৌবনা মহৈরোইশিংদা চরাংনবা ফাওহল্লিবশিং অসিগী ওইনা মোডেল স্কুলদা লৈখ্রবা ওঝা অদু য়ামদ্রবদা চহী ৩ ট্রান্সফর তৌবা য়াহল্লোই। মোডেল স্কুলশিং অসিগী চপ মান্নবা ব্লু প্রিন্ট অমমম থমগনি।

য়েলহৌমী কন্ননবা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ঐখোয় পুন্নমক্না ইশা–ইশাদগী হৌরগা লমদম অসিবু কন্ননবা হৌজিক্তগী হৌনা হোৎনসি। এম এল আর এক্ট চৎনরিবা মফম অসিদা ঐখোয়না মীতোপ্তা লম য়োল্লোইদবনি। লৈকাই–লৈকাইগী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরাপায়বীশিং, সিভিল ওর্গাইনাইজেসনশিংনা মীৎ–মায় পাঙথোকপীরগা লোনা য়াদবা মওংদা মীতোপ চঙলকপা য়েঙশিনবীরো। লম য়োনবা মতমদা কনানা য়োনবগে,কনানা লৈখ্রবগে হায়বা মীয়াম্না থীগৎপিয়ু। হৌখ্রবা চহী ৭০ রোমগী মমাঙদগী লমদম অসিদা অশোয়বা কয়ানা পীক থন্না লাকখ্রে। অশোয়বশিং অদু হৌজিকসু চুমথোকপা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা লৈঙাক খক্তদা থাদোকপীগনু। ঐখোয়গী ইখোল অমসুং লৌবুক্তগী হৌনা মণিপুর কন্নবা হোৎনবীয়ু।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৌ শঙম অমা য়োল্লগা কার অমা তোংগনি হায়বা ৱাখল থাদোকপীরো। লৈঙাক্কী থবক অমা তৌনবনি হায়দুনা পুন্সিগী লৈগদৌরিবা লৌ অমসুং ইখোল য়োন্থোকপা লেপ্পসি। আই আর বি / এম আর চঙননবা হোৎনবদা লৌ,ইখোল য়োনবা তোকপীরো। মদুগী ৱাখল অদুনা লৈবাক কনবা য়ারোই। লৈঙাক অসিগী মতমদা থবক চঙননবনি হায়না শেল পীবা তৌবিগনু। সি এমগী কাদা হৌজিক আই আর বি লৌরিবা মফম অদুগী সি সি টি ভি কেমেরাগী রেকোর্ডিং নীথিনা লৈরি। অরানবা তৌবশিং চৈরাক ফঙগনি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনি এডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়, হৌজিক লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব ক্লাসকী কোচিং কয়া পাঙথোক্তুনা পাস তৌবগী চাং হেনগৎলক্লে। মচাশিংবু মহয়–মশীং তমহনবদা মমা–মপা ওইবশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। লৌ য়োল্লগা মচা–মশুশিংবু মপানদা মহয় তম্বা থাবগী ৱাখল্লোন অসি চাউথোকচনিংঙাইনি।

থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার,কঞ্জুমরস এফিয়ারস ফুড এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যাম,য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাউ হাওকিপ,মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর কোম্থাম রোবিন্দ্রো অমসুং ৱাঙ্গোই এ সিগী এম এল এ, ও লুখোইনচিংবা কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

# থাংমৈবন্দদা টনিসকী অখন্নবা...

*লমায় ১গী মখা* ইম্ফাল হোটেলদা পাউমীশিংগা উন্নবদা টিটান কম্পিনি লিমিটেদ,রিটেল এন্দ মার্কেটিং জেল্লরি দিভিজনগী সেনিয়ার ভাইস প্রসিদেন্ট সন্দিপ কুলহাল্লিনা হায়খ, মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা হাংদোক্লিবা সো রুম অসিদা মণিপুরগী মার্কেটতা ফঙদবা জেল্লরিগী আইটেম কয়া ফঙহল্লে। টনিসকী সো রুম খুদিংমক্তা থল্লিবা করাটমিটরগী খূৎলাইশিং অসিনা কষ্টমরশিংগী পূক্লিং লুপ্লোইদবা সনাগী ক্বালিটি য়েংজনবা খুদোংচাবা পীরি। ষ্টেট অসিদা অহানবা হাংদোকপগী খুদোংচাবা পীবা ওইনা থা অসিগী ২০ ফাওবদা মীয়াম্না লুপা লিশিং ১০ প্লেন গোল্ড অমদি দায়মন্দ জেল্লরি লৈবদা গ্রাম ০.২গী গোল্ড কোইন পীগনি। গোল্ড কোইন অসি লিশিং ১০গী মল্টিপলদা পোৎলম লৌরিমখৈ হেনগৎকনি।

সো রুম অসিগী ব্যুজিনেস পার্টনর ওইরিবা রাজেস ফিলেমনা হায়খি,ব্রান্দ অসিদা ফঙলিবা জেল্লরিগী আইটেমশিং অসিগী মথক্তা মণিপুরগী ট্রেদিস্নেল ওইবা জেল্লরিগী আইটেমশিংসু অথুবদা হাপচিন্নবা হোৎনগনি।

# সিজ হোস্পিটালদা ফৈরুগী তাঙ...

*লমায় ১গী মখা* সিজ হোস্পিটাল অসিগী পান্দম ওইনা মণিপুরদা হান্না লৈতবা অনা–লায়েংগী খুদোংচাবশিং পুশিল্লক্লগা ঐখোয়গী ওইবা দোক্টরশিংদা ট্রেনিং পীদুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা পীবনি। অনাবশিংনা অতোপ্পা ষ্টেট অমদি লৈবাকশিংদা লায়েংবা চৎপগী অৱাবা মায়োক্লবা অদু কোকহনবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়,হোস্পিটাল অসিদা মালেমগী থাক্তা লৈরিবা খুদোংচাবশিং সিজ হোস্পিটাল অসিদা ফঙহন্দুনা হেল্থ টুরিজমদা মীৎয়েং থমদুনা অতোপ্পা ষ্টেট অমদি লৈপাকশিংদগী লায়েংবা লাক্লবা পান্দমদা চঙশিল্লকপনি। মসিগী মনুং চন্না মীওই অমদা ফৈরু অনীমক্কী তাঙ (হিপ রিপ্লেসমেন্ট) মায় পাক্না সর্জরি তৌদুনা শিনবা ঙম্বনি।

ৱাঙু অহল্লূপ মখা লৈকাইদগী মশাগী চহী ৬৬ শুরবী অমোম লৈহাওমশাগী ফৈরু অনীমক্কী তাঙ শোকচিল্লকপনা হৌগৎ–কাঙখৎতুনা চৎপা ঙমদবা অদু হোস্পিটাল অসিগী কন্সলটেন্ট ওর্ঠোপেদিক সার্জন ওইনা লৈরিবা ডা. ইবোয়াইমা ফুরিৎশাবমনা মেটালিক ইমপ্লান্ট তৌরগা মায় পাক্না শিনবা ঙমখিবনি হায়খি।

মায় পাক্লবা হিপ রিপ্লেসমেন্ট তৌখিবা অসিগা মরী লৈননা কন্সলটেন্ট ওর্ঠোপেদিক সার্জন ডা. ইবোয়াইমা ফুরিৎশাবমনা হায়, হোস্পিটাল অসিদা অনাবা অমদগী ফৈরু অমমম মায় পাক্না মরিরক শিনবা ঙমখ্রে। অদুবু অনাবা অমদগী ফৈরু অনীমক মায় পাক্না শিনবা ঙম্বা অসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি। মণিপুরদা খূউগী তাঙ শিনবসিদি খরা তোইনা থোক্লগসু ফৈরুগী তাঙ শোক্লকপদগী শিনবা অসিদি খরা তাঙনা থোকই।

হিপ রিপ্লেসমেন্ট তৌবদা শীজিন্নরিবা মেটাল্লিক ইমপ্লান্ট অসি অমেরিকাদা শাবা প্রদক্টনি। মসিগী লাইফ স্পান চহী ১৫ ওই। মেটাল্লিক ইমপ্লান্ট অসিগী মমল লুপা ৫০,০০০দগী ৮০,০০০ ফাওবগী মনুংদা ফঙই হায়খি।

ফৈরু অনীমক শীন্দুনা নীংথিনা হৌগৎতুনা চৎপা ঙমখ্রবী অমোম লৈহাওনা পাউমীশিংদা হায়, মমাঙদা শিংলি নাওরিগী অনাবা ওইরবোই খন্দুনা ন্যুরোলোজিদা য়েংখি। তুংদা শরু শোন্থরকপা ওইরম্বদগী রিমসতা শরু গী হিদাক কাপ্তুনা য়েংবা হৌরকখি। রিমসতগী মপানলমদা পুদুনা য়েংনবা হায়রকপদগী সিজ হোস্পিটাল অসিদা য়েংলকখিবনি। অনাবা অসিনা মরম ওইরগা হিপ্লগা য়াওনবা মতমদা অমদি হৌগৎ–কাঙখৎতুনা চৎপা ঙম্লমদে। হোস্পিটাল অসিদা কন্সলটেন্ট ওর্ঠোপেদিক সার্জন ডা. ইবোয়াইমনা য়েংবদগী হৌগৎতুনা চৎপা ঙম্লে। মসিগীদমক ডা. ইবোয়াইমাবু থাগৎচরি। মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইবিয়ু হায়খি।

# কিশোরচন্দ্রগীদমক লেপ্পি...

*লমায় ১গী মখা* থমজিল্লগা রিপ্রেসিপ ফোর্সশিংনা অথিংবা লৈতনা হিংসা তৌহনবসি লাইবক থিবনি। ফোসিস ফোর্সশিংনা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোনশিংদু থুগাইনবা হোৎনবতা নত্তনা মখোয়না শেমজিনবা ৱারীশিংদুনা মুকুরুবশিংদা এটেক চখ্থরি হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী চিঠি অদুদা পল্লি।

# পোষ্টর কেম্পেইন চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ

থা অসিগী ৮দা লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬গী মায়োক্তা মহৈরোই লূপ ৬না খ্বায়রমবন্দ কৈথেলদা পোষ্টর কেম্পেইন চংশিনবগা লোয়ননা থা অসিগী ২০দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী মীফমদা পুন্নমক্না শরুক য়াবিয়ু হায়বা ৱাফম থল্লক্লি।

পোষ্টর কেম্পেইন অদু এমসু, দেসাম, এম এস এফ, কে এস এ, সুক অমদি এ আই এম এসকী থৌমীশিং ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৩ রোম তাবা মতমদা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেলদা চংখি–খবা। পোষ্টর কেম্পেইন অদুগা মরী লৈননা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্ট ওর্গানাইজেসন (নেসো)গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা সিনাম প্রকাসনা হায়, অৱাং নোংপোক্কী মহৈরোই লূপশিংনা মমাংদগী হৌনা অকনবা খোংজঙ কয়া চংশিন্দুনা লাক্লবসু থা অসিগী ৮দা ইনিদয়া গভর্নমেন্টনা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট)বিল ২০১৬ অসি লোক সভাদা পাস তৌখিবা অসি অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু করিসু লৈতে হায়না খনবগী মওংনি। বিল অসিগী মায়োক্তা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না লেপ্পি। মসি চৎনবা শুকয়া য়ারোই।

বিল অসিগী মায়োক্তা লমদমসিদা মহৈরোই লূপ ৬না খোংজঙ কয়া চংশিন্দুনা লাক্লি। খোংজঙশিং অদুগী মনুং চন্না পোষ্টর কেম্পেইন অসি চংশিনবনি। মসিদা নত্তনা বিল অসিনা লমদমসিগী মীয়ামদা কয়া য়াম্না শোকহল্লক্কদে হায়বদু মীয়াম হুপ্না খংমিন্নবা থা অসিগী ২০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্তেন্নরি হোলদা মীয়ামগী খন্না নৈন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। মসিদা মীয়াম্না হুপ্না মরুওইনা তুংগী য়ুম্বী ওইরিবা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়খি।

সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা চৎনবা শুকয়া য়ারোই। করিগুম্বা বিল অসি রাজ্যা সভাদা পাস তৌদুনা চৎনরকপা তারবদি গ্রেত্তর পোলিটিকেল ওতোনোমিগী খোংজঙ চংশিন্নবা অৱাং নোংপোক্কী মহৈরোইশিংনা শেম–শাদুনা লৈরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

# ৱাকৎ মীফম ফম্বীনবা মহৈরোই লূপ ৫না মীয়ামদা অপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ

ইহৌ অমা মায় পাকপা হায়বসি মীয়ামগী খুত্তা লৈ। মরম অদুনা লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংবু মুথৎনা পুথোরক্লিবা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) গী অসি চৎনহন্দনবা মীয়াম হুপ্না থা অসিগী ২০দা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চংশিনমিন্নরসি হায়বা ৱাফম মহৈরোই লূপ ৫গী মায়কৈদগী থল্লক্লি।

সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম), মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন দিল্লি (মসাদ), ওল মীতৈ পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (অম্পসুম) রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ অমদি মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন (অম্মসো)গী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা এস এস য়ু এমগী কৈশাম্পাটতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মসাদগী ভাইস প্রসিদেন্ট ফুরকন মককমযুমনা হায়, মহৈরোই লূপ ৫ অসিনা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি লোক সভাদা পাস তৌখিবা য়ানিংদে।

সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি লোক সভাদা পাস তৌখিবা হায়বসি অৱাং নোংপোক্কী ফুরুপশিংবু উশিত্তবনি। অৱাং নোংপোক লমদম অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পুশিল্লকপা মুস্লিম নত্তবশিংগী থমজিল্লকফম ওন্থোক্লবা হোৎনবনি। বিল অসি পাস তৌখিবা হায়বসি য়ুনাইটেদ নেসনন্না পিরিবা হিংবগী হক অদু মৎনবা হোৎনবনি। মরম অদুনা বিল অসি রাজ্যা সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়খি।

মহাক্না হায়, বিল অসি পাস তৌখিবা অসি সেন্তরদা শক্তি পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকননি। ষ্টেটসিদা পাল্লিবা অসিসু বি জে পিনি। ষ্টেটসিদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি লৈঙাক অসি মীয়াম্না থাগৎপনি। মীয়াম্না সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অসি য়াদে। মরম অদুনা ষ্টেটসিদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা চৎলগা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ চৎনহনবা শুকয়া য়ারোই হায়বদু মখোয়গী লিদরশিংদা হায়গদবনি। লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা বিল অসিদা মণিপুরগী লোকেসনগী ফেক্তর অসি ইন্সর্ট তৌবিয়ু হায়না য়াম্না নোঞ্জবা মওংদা হায়বসি লুচিংবা অমগী লিচৎ নত্তে। লমদমসিগী মীয়াম্না সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি য়াদ্রবনিনা লমদমসিগী মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইনা মহাকসু সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি চৎনবা য়ারোইহায়বসি মতিং থোক্না লাওগদবনি। মদুদতদা মহাকপু মীয়াম্না অশেংবা লুচিংবা অমনি হায়না ইকায় খুম্নগদবনি।বিল অসিগী মতাংদা শ্বায়দা ঐখোয়গা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী মথৌ তাদে।

# নুমিৎ হুম্নি চখ্থরকপা দান্স ড্রামা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ লমদম অসিগী অহল লমন্না থারম্বা কৈরাক্না মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর অসি মালেমদা অৱাংবা থাক অমা ফংবা ঙম্লি হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম্না ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী ৪৩ শুবা প্রদক্সন য়ুনিয়না মরী লৈননা পাঙথোকপা দান্স ড্রামা ফেষ্টিভেলগী নীনি চনবা নুমিত্তা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখ্রে।

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালনা শীন্দুনা একাদেমি অসিগী ওদিটোরিয়মদা হৌখিবা জনুৱারী ১৬ তগী চখ্থরকপা নুমিৎ হুম্নিগী দান্স ড্রামা ফেষ্টিভেলগী ঙসি নীনি চনবা নুমিত্তগী চীফ গেষ্ট কী ৱারোল পীরদুনা করাম শ্যামনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর অসি নাথৈরগা থম্বা য়াদে। মণিপুর অসি লাইনা থাবা লমদম্নি হায়বা মিথোল অসি ফংনবা হোৎনবদা আর্ট এন্দ কলচরনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা থৱায় হাপ্লি।

মহাক্না হায়, অহল লমনশিংগী মতৌ তমদুনা ঙসিদি লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়া অমনা আর্ট এন্দ কলচরদা য়াওশিন্দুনা মালেমদা হেন্না মশক তাক্লবা হোৎনরি। মণিপুরদা শেল থুমগী ফিভম ফবা অমসুং ইরাং লৈত্রবদি হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইগনি। লমদম অসিগী মীয়ামগী হোস্পিটালিটি, আর্ট এন্দ কলচরগী নুংগী মশখ অসিদা মালেমগী মীপুম খূদিংনা মণিপুর মশক খঙলি। আর্ট এন্দ কলচরনা লমদম অসিবু মালেমদা মশক তাক্লিবসি আর্টিশিংগী মশা মশাগী হোৎনজমন নি। মসিদা লৈঙাক্না মখোয়বু চিন্দখক থাগৎপানা য়ারোই। মখোয়বু শেল থুমগী মতেং পীনবা সি এমদা তক্লন্দুনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টদা লৈরিবশিংনা থৌদাং লৌমিন্নসি। মসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্না প্রোপেজেল লাকপদা মতম চুপ্পদম মতেং পাংগনি। আর্টিষ্টশিংনা কখোকপানা লমদম অসি অৱাংবা থাক্তা লৈরিবনিনা অহেনবা মতেং পাংলবদি লমদম অসি মালেমদা হেন্না মশক তাকপা ঙমগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

নুমিৎ হুম্নি চখ্থরকপা দান্স ড্রামা ফেষ্টিভেল ঙসি জে এন এম দি এগী ওদিটোরিয়মদা লোইশিনখ্রে। অরোইবা নুমিৎ অসিদা মণিপুরী জগোয় মরুপকী মান বিক্ষা উৎখি। দান্স ড্রামা অসি থিংবাইজম ওংবী বিমোলা দেবীনা না কোরিওগ্রাফ তৌবনি।

# দিনেস তোংব্রম পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ

নুপীমচা অমদা কারন তারুই হায়বা মরাল শিবদগী মণিপুর দিজিটেল ফিল্মগী প্রদুসর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱুমেন পুলিস ষ্টেসনন্না ফারগা কোর্টতা পুথোক্তুনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পিখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী লিখুন অমগী মতুং ইন্না, কারন তাবিখ্রে হায়রিবী নুপীমচা অদুগী মমানা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী পুলিসনা ফারবা মণিপুর ফিল্মগী প্রদুসর অদুগী মমিং দিনেস তোংব্রম এলাইজ দিনেশ্বর (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি বিরা কৌই। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং খুনৌদগীনি। হৌজিক্না লাঙ্গোল গেম ভিল্লেজ তাইপ এ–৩৭দা লৈবনি। ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱুমেন পুলিসনা লাঙ্গোলগী মহাক্কী লৈফমদগী ফাবনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, নুপীমচা অদুগী মমানা পুলিসতা তৌরকপা কমপ্লেন্ট অদুদা পল্লিবদি কারন তারুই হায়দুনা মরাল শিবদগী পুলিসনা ফারবা দিনেস তোংব্রমনা চলাইবা কৈশাম্পাৎ চুরাচান্দপুর পর্কিংদা লৈবা এরোবিক সেন্তর অমদা মহাক্কী মচানুপীবু মফি মরোল লৌথোকহল্লগা কয়ারক হন্না মোলেষ্ট তৌবীখ্রে হায়না মচানুপী হায়দোরক্লে হায়রি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়, থৌদোকসিদা ভিক্তিম ওইহৌরবী নুপীমচা অদু ঙৱাং রিমসগী ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিদা একজামিনেসন তৌবগা লোয়ননা চাইল্ড ৱেলফিয়ার কম্মিটি ইম্ফাল ৱেষ্টতা পুথোকখি হায়রি।

অমরোমদা, নুপীমচাদা কারন তারুই হায়বগী মরাল শিবদগী পুলিসনা ফারবা দিনেস তোংব্রম ঙসি দ্যুটি মাজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টতা পুথোক্লবা মতুং পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পিখ্রে হায়রি।

# এসেমব্লিগী মীফম কৌহন্নবা...

*লমায় ১গী মখা* মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শাথিনা শোকহনগনি হায়না অমত্তা ওইনা য়ানখি। মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না মখোয়গী রাজনিটিগী ওইবা খেন্নবা খুদিংমক তুংওইনহল্লগা অপুনবা খোল্লাউ অমা লাওমিন্নদুনা বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌহন্দনবা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্তা ঙসিগী মীফম অদুনা তকশিনখি।

রাজ্য সভাদা পন্দুনা লৈরিবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসিগী মরাইবক্না অমা ওইহনখ্রগা, মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী য়েলহৌমীশিংগী ইন্টরেষ্ট ঙাক্লবগীদমক স্পিসিয়েল কন্সটিট্যুসনেল সেফ গার্দ থমহন্নবা অদুগা মসিদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুরগী পোলিটিকেল ওটোনোমি ফাওবা ফঙহন্নবা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্কী এম পিশিং, এম এল এশিং অমদি ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমক্না লোভি তৌহন্নবসু মীফম অদুনা তকশিনখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পব্লিক দিসকোর্স অদুনা জনুৱারী থা অসি লোইদ্রিঙৈদা এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা হেন্না চাওবা কনক্লেভ অমা মণিপুরগী মপুং ওইবা ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা শিন্নবা ৱাফমসু য়ানখি। মীফম অদুদা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট নিংথৌজা লানচা,এম য়ুগী ইকোনোমিক দিপার্টমেন্টকী ডা. চিংলেন মাইস্নামনচিংবা কয়ানা স্পিকর ওইনা ৱা ঙাংখি।

# মণিপুরদা য়ু শুংলগা মপাল লমদা থাদোক্কনি হায়বা য়ানিংদেঃজে দি য়ু

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ

মণিপুর লৈঙাক্না লমদম অসিদা য়ু শুংবগী লাইসেন্স পীদুনা মপাল অমদা থাদোক্লবা থৌরাং তৌরিবা অসি য়াবা ঙম্লোই, মদুগী মায়োক্তা মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না জনটা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী চীফ জেনরেল সেক্রেটরী এম দোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হট্টাদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা দোরেন্দ্রোনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লন্দুনা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা লমদম অসিদা মৈরা পায়বী লূপশিং, সি এস ও অমদি লৈকাই কয়াগী ক্লবশিংনা মণিপুরদগী মখল খূদিংমক্কী নিশাশিং থিংনবা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা নম্ফুদা লমদম অসিদা য়ু শুংবগী লাইসেন্স পীদুনা মপাল লমদা থাদোক্কনি হায়না য়াম্না কন্না চখ্থরক্লিবা অসি খুদক্তা হন্দোকপীয়ু করিগুম্বা লৈঙাক্না নম্ফুদা য়ুগী লাইসেন্স পীরক্লবদি পার্টি অসিনা মীয়ামগী মমাঙ থানা খোঙজং চঙশিনগনি। লোয়ননা য়ু শুংবদা লাইসেন্স পীবা য়ারোই হায়না কাদা অমদি নুপী সমাজনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা জে দি য়ু না মপুং ফানা শৌগৎনবা শেম শাবা লোইরে।

লোয়ননা মণিপুরগী মীয়াম্নসু নিশাগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা নিশানা খুন্নাই অসিদা পীরিবা চৈথেং অসি থেংনমিন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

এম দোরেন্দ্রোনা মখা তানা হয়েংদগী হৌদুনা মণিপুরগী তোঙান–তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা রোংমৈ কবুই ফুরুপকী গান–ঙাই কুম্মৈ অসিনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা ওইরনসু হায়না য়াইফ পাউজেলসু পীখি।